


# য়ুনাক্কো কপঃ মৈরা বাশিখোংনা এম পি এস সী মায়থীবা পীখ্রে, কে ঐচ এস সী অমসুং ৱাই সী সী আই সী ড্রো চৎখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর হোক্কিগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাক্কো স্কুলনা শীন্দুনা শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা সেয়ো হোক্কি এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩ লক শুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন হোক্কি টুর্নামেন্ট- য়ুনাক্কো কপ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা মৈরা বাশিখোংনা এম পি এস সী মায়থীবা পীখ্রে, কে ঐচ এস সী অমসুং ৱাই সী সী আই সীনা ড্রো চৎখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী মরিশুবা মেটচ ওইনা মৈরা বাশিখোং অমসুং এম পি এস সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী মৈরাগী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। নাকল অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল ২-২দা মান্ননা লৈখি। এম পি এস সীগী পাঞ্জল অনী অদু ৫ অমসুং ১৪ শুবা মিনটতা এন ভাকের অমসুং এস সুরেশনা অমমম চনখিবনি। অদুগা মৈরাগী পাঞ্জল অনী অদুনা ৪ অমসুং ৬ শুবা মিনটতা কে সঞ্জিৎ অমসুং এন জেনজেননা অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙম্ন বা মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উখোক্তুনা শান্নখি। অদুবু অনীশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-২দা মান্ননা লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদসু বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবা মৈরাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা য়াবা এটেকশিং চখদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা ৩৭ শুবা মিনটতা কে সঞ্জিৎনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মতুং ৩৯ অমসুং ৪৪ শুবা মিনটতা এন জেনজেন অমসুং টি ঐচ য়াইফবনা মখা তানা পাঞ্জল অমমম চনশিনখি লোয়ননা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা মৈরানা পাঞ্জল ৫-২দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ৬০ শুবা মিনটতা মৈরাগী জেনজেননা মখা তানা পাঞ্জল অমগা চনশিনখি। অদুবু এম পি এস সীগী ওইনা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মৈরানা পাঞ্জল ৬-২দা চাওনা মায় পাকখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা কে ঐচ এস সী খোংমন অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নখি।

মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈবা ঙমখি। অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা টিম অনীমক্না মখা তানা পাঞ্জল অমমম চন্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২দা ড্রো চৎখি।

# এ এফ সী অন্দর-২০ ৱিমেন্স এসিয়ান কপতা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী টিম থাইলেন্দদা থুংখ্রে



**ন্যু দেল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সী):**

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী অন্দর-২০ ৱিমেন্স এসিয়ান কপতা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী অন্দর-২০ ৱিমেন্স ফুটবোল টিম ঙসি অয়ুক অঙনবদা বেঙ্কোকতা থুংখ্রে।

চহী ২০গী মতুংদা ইন্দিয়াগী অন্দর-২০ ৱিমেন্স টিমনা এসিয়ান কপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। মতম কুইরবগী তুংদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা এসিয়ান কপ অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা চাউনা মায় পাকপা ঙম্নবা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। ইন্দিয়ানা মথং থাগী ২গী নুংথিল পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা জপানগা অহানবা মেটচ শান্নগনি। মদুগী মতুং এপ্রিল ৫দা ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনগনি অদুগা এপ্রিল ৮দনা চাইনিজ টাইপৈগা লম্বা তৌনগনি।

এসিয়ান কপকী ওইনা গ্রুপকী খ্বাইদগী মকোক থোংবা টিম অনী/অনী অদু ক্বার্টর ফাইনেলগী ক্বালিফাইদ ওইগনি অদুগা অহুমশুবা মফম কনবা খ্বাইদগী ফবা টিম অনীসু ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাক্লবা টিম ৪ অদু পোলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-২০ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকীদমক অমুক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

হেদ কোচ জোৱাকিম অলেকজেন্দরসনগী মীৎয়েং মখাদা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদগী হৌরগা বেঙ্গলুরুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংবু অকনবা ত্রেনিং চখদুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং স্বিদেনদা থা অমা কেম্প তৌদুনা মখা তানা ত্রেনিং চত্থখি। ত্রেনিংগী শরুক অমা ওইনা মখোয়না স্বিদেনগী সিনিয়র টিমশিংগা ফ্রেন্দলি মেটচ ৫ শান্নখি। স্বিদেনদগী হল্লক্লবা মতুং কোলকটাদা মখা তানা ইন্দিয়াগী টিমনা প্রেক্টিষ্ট চখদুনা লাকখিবনি।

এসিয়ান কপতা শরুক য়ানবগীদমক থাইলেন্দদা থুংখ্রবা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপরশিংদা মোনালিসা মোইরাংথেম, নন্দিনি, রিভান্সি জমুনি। দিফেন্দরদা য়াওরিবশিংনা অলকা ইন্দৱর, সিন্দি রেমরুৱাটপুই কোলনি, মিসিমা কুমারি, দেনি থোকচোম, রুচি যাদব, সহেনা টি ঐচ, সুভাঙ্গি সিংহ, থোইবিসনা চনু তোইজমনি। মিদফিল্ডরদা য়াওরিবশিংনা অঞ্জু চনু কায়েনপাইবম, অরিনা নামৈরাকপম, ভুমিকা খুমুকচম, মোনিসা সিংহ, নেহা, পুজা অমসুং স্রুটি কুমারিনি। অদুগা ফোৱার্দতা য়াওরিবশিংনা ববিতা কুমারি, দিপিকা পাল, লিংদৈকিম, সিলজি সাজি, সিবানি নোংমৈকাপ্পম অমসুং সুরঞ্জনা রাওনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা পরোমিতা সিদনা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা শরুক য়ারি অদুগা হমিট কে কেনা গোল কিপ্পিং কোচ ওইনা শরুক য়ারি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী হেদ কোচ অলেকজেন্দরসননা ফোঙদোকখিবদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান কপ অসিদা ঐখোয়গী টিমনা চাওনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ঐখোয়গী টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংনা হৌখিবা থা খরা অসিদা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইনবগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লাক্লি অমদি শোয়দনা ওইবা ঙমগনি হায়খি।

# ৱাই পি ঐচ য়ুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



**ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):**

য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু), খ্বাই লল্লাম্লুং মখোঙগী হান্না সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্বা কোইজম অপাবীনা মনুং মতম চাদনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা য়ুনিয়ন অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মহাক লৈখিদবগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন অসিগী অখন্নবা এগজিক্যুটিব মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংন-চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি।

পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অপাবীনা হিংলিঙৈ মতমদা লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া য়োকখৎনবা লৌরম্বা থৌদাং অমদি নহাশিংবু ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্না লৈহন্নবগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনরম্বা কয়া অদু শীংথাখি। মহাক লৈখিদবদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থেংনহৌরিবা অৱাবা য়ুনিয়ন অসিগী মায়কৈদগী শরুক য়ারি অমদি মহাক লৈখিদবা অসি য়ুনিয়নগী ওইনদি চাওনা মাঙজবনি হায়রি।

# মণিপুর টিম শেম্নবা ত্রায়ল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি



**ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):**


ইন্দিয়ান ফিটনেস এন্দ বোডি বিল্ডর্স ফেদরেশন (আই এফ বি এফ)গী মীৎয়েং মখাদা মহারাষ্ট্রগী রতনগিরিদা চহী অসিগী মে থাগী ১ অমসুং ২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭২ রক শুবা মিষ্টর ইন্দিয়া নেশনল বোডি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগীদমক মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডর্স এসোসিএশন (মাবা)না শীন্দুনা ত্রায়ল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না মাবাগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে হর্শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

মাবানা শীন্দুনা ঙসি তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা কে বি বি জিমগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, মিষ্টর ইন্দিয়া কন্টেষ্টকীদমক মণিপুরগী মহুৎ শীন্নবা শাফবা শান্নরোয় খন্নবগীদমক থা অসিগী ২৮গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা কে বি বি জিমদা মাবানা শীন্দুনা ত্রায়ল সিলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ত্রায়ল সিলেক্সন অদুদা মাবাগী মখাদা এফিলিয়েট তৌবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিমদগী চহী ২০, চহী ২৫ অমদি চহী ৩০ মখাগী কাঙলুপকী বোডি বিল্ডর্স, চহী ৪০দগী ৫০গী মথক্তা লৈবা মাষ্টর কেটাগরি, মেন্স ফিজিক, ক্লাসিক ফিজিক অমদি জিম মোদেল হায়রিবা কেটাগরি অসিদা ত্রায়ল পাঙথোক্কনি।

ত্রায়ল সিলেক্সনদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা এসোসিএশন অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়খি। ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা মাবাগী জেনরেল সেক্রেটরি সাপম জয়চন্দ্র, ত্রেজরর রনধির অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি বি কেসু শরুক য়াখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1765

**GM Fabiano Caruana (2795) - GM Hans Moke Niemann (2725)**
**Freestyle WCh RR 2026 Wangels GER, 2026.02.13**

1.f4 Nb6 2.Nb3 f5 3.Bd4 Bd5 4.Bxg7 Rf7 5.Bxh8 Qxh8
6.g3 a5 7.Nxa5 Ra8 8.d3 Bxa2 9.Ra1 Be6 10.c4 c6
11.Qb4 Qd4 12.Kb1 c5 13.Qe1 Qd6 14.Nf2 Bc7 15.e3 Kb8
16.Bf3 Ra7 17.Qc3 Nc8 18.Kc2 Rf6 19.Ra3 Bf7 20.Rfa1 Bxa5
21.Rxa5 Rxa5 22.Rxa5 Qe6 23.Qa3 Qxe3 24. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1764 Solution :**

**27. Rc7 Ne7**
*27...Qxc1+ 28.Rxc1*
**28. R1c6+** *The white rook decoys Black's knight. Opening the line from f7 to d7.* **Nxc6**
*28...Kd5 29.Qxf7#*
**29. Qxf7+** *Intermediate check* **Kd6 30.Qd7+** *The white queen forks Black's knight and king.* **Kc5 31. Qxc6+ Kb4 32.Qa4#**
**1-0**







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com